# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, APRIL 26, 2016 PAGE 7




ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকী মনুং চনবা থৌরম অমদা শরুক য়াগদৌরিবা দিফরেন্টলি এবল ওইরিবা সিরিয়াগী স্বিম্মর ইব্রাহিম

বার্ল্ড চেম্পিয়ন বোক্সিংগী টাইটল অনীরক লৌবা ঙমখ্রবা মতুং মখা তানা মহাক্কী ফজবা পার্ফোমেন্স থম্নবগীদমক ইন্দিয়াগী প্রেফেস্সনেল বোক্সর বিজেন্দর সিংহগা লম্বা পান্ত্রি হায়না ফোঙদোকখিবা ইংলন্দগী বোক্সর অমির খান



## ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন নাইন-২০১৬

# মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু রন ২৫ দা মায়থিবা পীখ্রে



মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মায়কৈদগী বোল ৫৮ দা সিক্স ২ অমদি ফোর ১০ য়ৈদুনা রন ৮১ লৌখিবা পার্থিভ পটেল

মোহালি, এপ্রিল ২৫ ঃ

মালেমগী টি-২০ ক্রিকেট লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমল য়াম্বা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি পঞ্জাবগী সহর মোহালিদা শান্নবা ২১ শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা কিংস এলভেন পঞ্জাবপু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রন ২৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী টোস কিংস এলভেন পঞ্জাবনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মদুদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ২০ গী মনুংদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৯ লৌদুনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা ঙসিগী মেটচ অদুদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। অদুবু নৌনা চঙলকখিবা অম্বাটি রায়ুদু অমসুং পার্থিভ পটেলনা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী ইন্নিংস অদু ওভর ১৪ গা বোল ৫ দা রন ১৩৭ লৌদুনা য়াম্না ফজবা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অমা শেম্না ঙমখি।

রায়ুদু বোল ৩৭ তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা পুন্না রন ৬৫ লৌরমখি। মহাক্কী মতুং চঙলকখিবা জোস বট্লর অমসুং পার্থিভ পটেলনা মখা তাবা ইন্নিংস অদুদা রন ৩৭ হাপচিন্দুনা অপুনবা স্কোর অদু রন ১৭৪ য়ৌহনখি। মখা তানা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা রন ১৫ হাপচিল্লগা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৯ লৌখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবকী মায়কৈদগী মোহিট শর্ম্মনা ওভর ৪ লংখিবদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী বেটসমেন ৩ আওট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি। লোয়ননা সন্দিপ শর্ম্মা, মিটচেল জোন্সন অমসুং অজর পটেলনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা কিংস এলভেন পঞ্জাবনা রন ১৯০ লৌন্নবা হোৎনরকপদা টিম অদুগী বেটসমেন ৭ ওভর ২০ দা আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ১৬৪ লৌদুনা মেটচ অদু মখোয় মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মখুত্তা রন ২৫ দা মায়থিবা নংখি।

কিংস এলভেন পঞ্জাবগী মায়কৈদগী ওপনর অনী মুরালি বিজয় অমসুং মানন বোরা মঙাশুবা ওভরদা মথংশিংনা রন ১৯ অমসুং ৭ লৌরল্লগা আওট ওইখি। অদুবু টিম অদুগী মায়কৈদগী সোন মার্স অমসুং গ্লেন মেক্সৱেলনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৮৯ হাপচিন্দুনা মেটচ অদু মায় পাক্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু টিম সাউথি অমসুং বুমরানা মথংশিংনা মার্স অমসুং মেক্সৱেলবু রন ৪৫ অমসুং ৫৬ তা আওট ওইহনখিবগী মেটচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকী মায়কৈদা লৈখিবনি।

পঞ্জাবগী মায়কৈদগী কেপ্টেন দেবিদ মিলরনা আওট ওইদনা রন ৩০ লৌখিবা অদুনা মহাক্কী টিম কননবা ঙমখিদে।

**Points Table**

| Team | M | W | L | Tied | N/R | Points | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Kolkata Knight Riders | 5 | 4 | 1 | 0 | 0 | 8 | +0.92 |
| Gujarat Lions | 5 | 4 | 1 | 0 | 0 | 8 | +0.03 |
| Delhi Daredevils | 4 | 3 | 1 | 0 | 0 | 6 | +0.32 |
| Sunrisers Hyderabad | 5 | 3 | 2 | 0 | 0 | 6 | +0.27 |
| Royal Challengers Bangalore | 5 | 2 | 3 | 0 | 0 | 4 | +0.23 |
| Mumbai Indians | 6 | 2 | 4 | 0 | 0 | 4 | -0.52 |
| Rising Pune Supergiants | 5 | 1 | 4 | 0 | 0 | 2 | +0.00 |
| Kings XI Punjab | 5 | 1 | 4 | 0 | 0 | 2 | -1.13 |

## ষ্টুটগার্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

# জর্মনিগী কর্বরনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে ইন্দিয়াগী সনিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস রন্নর্স অপ তাহৌরে



নুপীগী ষ্টুটগার্ট সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী এঞ্জেলিক কর্বর

ষ্টুটগার্ট, এপ্রিল ২৫ ঃ

জর্মনিগী সহর ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রি গী নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা লৌবা ঙমখ্রে। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

জর্মনিগী সহর ষ্টুটগার্টতা পাঙথোকপা ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রি টেন্নিস টুর্নামেন্ট নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রোদা ক্বালিফায়র অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবি জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই লোরা সিজমুন্দবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ৬-৪, ৬-০ দা থোইদুনা ষ্টুটগার্ট টাইটল অদু লৌখিবনি।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু শান্নরোই এঞ্জেলিক কর্বরনা মহাক্কী ফাইনেল মেটচ অদুগী লম্বা ওইখিবী লোরা সিজমুন্দবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ৬-৪, ৬-০ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী এঞ্জেলিক কর্বরনা ষ্টুটগার্ট গ্রান্দ প্রি টেন্নিস টাইটল অদুগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু কর্বরগী লম্বা ওইখিবী জর্মনিগী অতোপ্পা শান্নরোই লোরা সিজমুন্দনা য়াম্না অকনবা লম্বা পীদুনা সেট অদুদা গেম মরি মায় পাকপা ঙম্লবসু এঞ্জেলিক কর্বরনা মাঙজৌননা গেম তরুক মায় পাকখিবগী সেট অদু ৬-৪ দা লোইশিনখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা ষ্টুটগার্ট ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলগী অনীশুবা সেট অদু ক্বালিফাইর লোরা সিজমুন্দগী মায়কৈদগী শিংথাবা য়াবা সোট অমফাওবা তৌবা ঙমখিদবদগী টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচকী অহানবা গেম মায় পাক্কুনা লৈরিবী এঞ্জেলিক কর্বরনা মেটচ অদুম্মক মাঙজিল থাবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদু ৱার্ল্ড নম্বর থ্রি ওইরিবা এঞ্জেলিক কর্বরনা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোই লোরা সিজমন্দবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ৬-৪, ৬-০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী মালেমগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিস ফাইনেলদা ফ্রান্সকী জুরা কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং খৃষ্টিনা লাদেনোভিসকী মখুত্তা মায়থিদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিদ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী জুরা অদুনা ফ্রান্সকী জুরা কেরোলিন অমসুং খৃষ্টিনাবু ৬-২ দা অহানবা সেট থোইখি। অনীশুবা সেটতা ফ্রান্সকী জুরা অদুনা ৬-১ দা থোইদুনা টাইটল মেটচ অদুদা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি। অদুবু নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা সনিয়া অমসুং হিঙ্গিসপু ১০-৬ তা থোইদুনা টাইটল অদু ফ্রান্সকী জুরানা লৌখি।



ষ্টুটগার্ট টেনিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী সনিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিস

# ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংদা ইন্দিয়াগী মাইরাজ অহমদ খান্না লৈবাক অসিগী অহানবা মেডল ফংহনবা ঙমখ্রে



ৱার্ল্ড কপ সুট্টিংদা ইন্দিয়াগী গোল মেডল ফংবা ঙমখ্রবা মৈরাজ অহমদ খান্না সুট তৌবা

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্কিট সুট্টর মৈরাজ অহমদ খান্না রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপকী সিলভর মেডল অমা ফংদুনা লৈবাক অসিগী অহানবা মেডল অদু ৱার্ল্ড কপ অসিদা ফংবা ঙল্লি।

মশাগী চহী ৪০ শুরবা ইন্দিয়াগী সুট্টর অসিদা ব্রাজিলগী সহর রিও দি জেনৈরোদা পাঙথোল্লিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ অদুগী মেডল টেলিদা পুন্না গোল মেডল ১৪ ফংবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী সুট্টর অমা ওইরিবা মৈরাজ অহমদ খান্না মহাক্কী কেরিয়রদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ৱার্ল্ড কপ অমদা পুন্না মেডল ১৪ ফংদুনা মকোক ওইখিবনি। মহাক্কী মতুংদা স্বিদেনগী মার্কস স্বেনসন্না পোইন্ট ১৪ অমদি ইটালিগী টমারো কসান্দ্রোনা পোইন্ট ১২২ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী সুট্টর মৈরাজ অহমদ খান্না মশাগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স অদু ২০১০ গী কম্মনৱেল্থ সুট্টিং চেম্পিয়নসিপ্তা টিমগী ওইবা গোল মেডল ফংখিবা অদুনি।

মহাক্না ৱার্ল্ড কপ শরুক য়াখিবা ইদিসন ২৬ তা হন্দক্কী কম্পিটিসন অসিদা মঙাশুবা তাখিবা অসিনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইবা ঙল্লি। মৈরাজনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা রিও ওলেম্পিক গেমদগীদমক অহানবা কোটা ফংবা ঙমখিবনি।

## এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬

# খৃষ্টৈল পেলেস অমসুং মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা এফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ কী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি



খৃষ্টৈল পেলেসনা ৱাটফোর্দপু এফ এ কপকী সেমি ফাইনেলদা মায় পাকখিবগী শক্তম অমা

লন্দন, এপ্রিল ২৫ ঃ

ইংলন্দগী খ্বাইদগী লিরবা অমদি মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাটফোর্দপু মায়থিবা পীদুনা খৃষ্টৈল পেলেসনা কপ অসিগী টাইটল ফংনবগীদমক মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা লম্বা তৌনরগনি।

লন্দনগী ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা লৈবাক অদুগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অরিবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এফ এ কপকী সেমি ফাইনেল মেটচতা খৃষ্টৈল পেলেসকী মায়কৈদগী য়ানিক বোলাসেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা খৃষ্টেল পেলেসকী মায়কৈদা ৱাটফোর্দ ফুটবোল ক্লবনা অহেনবা বোল পুশিননবা ঙমদনা লৈরবসু টিম অদুগী ষ্ট্রাইকরশিং অদুনা তাঞ্জা ফংবদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনখিবনি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফতা ৱাটফোর্দকী মায়কৈগী ট্রোই দিনিনা শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা হাপচিন্দুনা ৱাটফোর্দনা খৃষ্টৈল পেলেসকা পাঞ্জল মান্ননা লৈবা ঙমখি।

অদুবু মেটচ অদুগী ৬১ শুবা মিনিটতা খৃষ্টৈল পেলেসকী মায়কৈদগী কোনো ৱিখাম্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৱাটফোর্দপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা এফ এ কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

এফ এ কপকী ফাইনেল মেটচ অদু চহী অসিগী মে ২১ দা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকা থেংনরগনি।


ADMISSION STARTS ADMISSION STARTS

NEW BATCH NEW BATCH

MPSC's CIVIL SERVICES (PRELIMS)

GENERAL STUDIES

CLASS STARTS: 15TH APRIL 2016 *** TIMING: 6.30 AM - 9.00 AM

ONLINE MOCK TEST

FOR BANK PO/MT/ASSISTANTS & OTHERS

CONDUCTED BY SBI, IBPS AND SSC

Registration starts : 21-3-2016; Date of Mock Test: 4-4-2016 onwards; Timing: 11.00am to 1.00pm

For MPSC Optional Subject

Public Administration

CLASS STARTS: 10-03-2016 TIMING: 9.15am - 10.45am

6 MONTHS CERTIFICATE COURSE ON

Basic Computer Applications

CLASS STARTS: 30-03-2016

TIMING: 9.00AM - 10.30AM

For limited seats For limited seats

Proactive Academy

of Competitive Examinations (PACE)


For a Bright Future

KWAKEITHEL, IMPHAL

PHONE: 9206319209

SL/Bill/ 3 April X 30 days


# ইন্দিয়ানা ২০১৮ কম্মনৱেল্থ জুদো চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরগনি



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৫ ঃ

ইন্দিয়াগী রাজস্থান রাজ্যগী কোনুং সহর ওইরিবা জয়পুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০১৮ গী কম্মনৱেল্থ জুদো চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু ওইরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী মতুং এসিয়াগী কেদেট অমসুং এসিয়াগী জুনিয়র জুদো চেম্পিয়ন্সিপকী য়ুম্বু অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রাজ্য কেরেলানা ওইরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী এপ্রিল ২৩ দা সাউথ অফ্রিকাগী পোর্ট ইলিজাবেটতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ জুদো কংগ্রেসতা ২০১৮ কী কম্মনৱেল্থ চেম্পিয়ন্সিকী য়ুম্বু ওইবগী খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াদা পীখিবনি। হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি চহী অনী ৱাংলিঙৈ মনুং অসিদা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী কেরলা রাজ্যগী কদবন্থু সহরদা রজিব গান্ধি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৬ তগী ১২ ফাওবা ১০ শুবা এসিয়ান কেদেট জুদো চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ১৭ শুবা এসিয়ান জুনিয়র জুদো চেম্পিয়ন্সিপ পাঙথোক্কনি হায়রি।

জে এফ আইগী জেনরেল সেক্রেটরী জসৱালনা ফোঙদোকখিবদা এসিয়াগী জুদো পাঙথোক্লিঙৈ মনুং অসিদা ইন্দিয়াগী জুদো রেফরিশিংগী সেমিনারসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

# লঙ্কাগী শিলভা শোকপদগী লায়কন্নখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ২৫ ঃ

শ্রিলঙ্কাগী টেষ্ট ক্রিকেটকী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইনা ওপনরগী থৌদাং লৌবা ঙল্লিবা কোসল সিলভা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রিলঙ্কাগী দোমেষ্টিক ক্রিকেট মেটচ অমা শান্নবদা মকোক্তা বোলনা পান্দুনা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

শ্রিলঙ্কা ক্রিকেটনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না সিলভা কলম্বোদা লৈবা হোস্পিটালদা পুখৎলবা মতুং থোইদোকপা অশোয়-অঙাম য়াওদ্রে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।